# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লৈ-কাঙ্গ্রোন

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**ময়াম্না** মমিংদি থোইদোক্লা তান্নদ্রিবা অদুগী হীদাক্কী মগুণদি অদুমক ফজনা য়াওবা পাম্বীশিংগী মনুংদা লৈ কাঙ্গ্রোন পাম্বী অসিসু অমনি। পাম্বী অসি মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা (Evergreen) স্রব হায়বদি অপীকপা ফুট ২০ ফাওবা মশা য়াম্না লোংবা অমসুং মনা পুংবা পাম্বী অমনি। লৈ-কোঙ্গ্রোন পাম্বী অসি বেঙ্গোলিদা হরিনহারা (Harinhara) সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ব্রাইদেলিয়া ষ্টিপুলারিস (Bridelia Stipularis (Linn.) Blume),* নৎত্রগা *ব্রাইদেলিয়া দেসিকেলিক্স (B. Dasycalyx Kurz)* নৎত্রগা *ব্রাইদেলিয়া মোন্তানা (B. Montana Woodrow ex J.J. Sim)* নৎত্রগা *ব্রাইদেলিয়া স্কেনদেন্স (B. Scandens (Roxb. Willd)* নৎত্রগা *ক্লুতিয়া ষ্টিপুলারিস (C. Stipularis Linn.)* হায়না কৌই অমসুং হৈগ্রু পাম্বীগী শাগৈ হায়বদি *ফাইলান্থেসী (Phyllanthaceae)* দা চল্লি। লৈ-কাঙ্গ্রোন পাম্বী অসি কনাগুম্বনসু লাই-কাঙ্গ্রোন হায়নসু অদুমক কৌনৈ।

লৈ-কাঙ্গ্রোন পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরুওইনা ইন্দিয়া, চাইনা, শ্রী লঙ্কা, নেপাল, বংলাদেশ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ফিলিপিন্সকী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। বংলাদেশকী মনুংদা লৈ-কাঙ্গ্রোন পাম্বী মরাং কায়না হৌবা মফমশিংদি চিতাগোংগী উমংশিং অমসুং চীংগী হাইথবা থেলশিং, সিলহেট, গাজীপুর, কোক্সকী মফমশিং শয়াদপুর নৎত্রগা রঙ্গপুরগী মফমশিং অসিনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি লৈ-কাঙ্গ্রোন পাম্বী অসি খরা নেম্লপ তৌবা চীংশিং অমদি চীংখোঙ-চীংয়াশিংদা অতোপ্পা পাম্বীশিংগী মরক্তা য়েপ্পুনা হৌবা থেংনৈ। উরুম খরা চংবা অমসুং ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈবা মফমশিং মরুওইনা লোক্কী মপানশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। পাম্বী অসি সমুদ্র ঈমাইদগীনা মিটর ৪০০ ৱাংবা মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌজরবসু করিগুম্বা কান্দা মিটর ১,১০০ ৱাংবা মফমশিং অসিদা হৌবগী পাউদমসু লৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না লৈ-কাঙ্গ্রোন পাম্বীগী উগী মকু (Bark) অসিদা টেনিন (Tannin) হায়রিবা কম্পাউন্দ অসি চাং ৱাংনা য়াওই। হায়রিবা উগী মকু অসিদা চাং খ্বাইদগী য়াওবা পোৎচাক অসিদি ফ্রিদেলীন (Friedelin) অমসুং বিটা সিটোসতেরোল (β-Sitosterol) অসিনি। অশোলকার অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৯২দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না লৈ-কাঙ্গ্রোন উগী মরাদা য়াওবা খ্বাইদগী মরুওইবা কম্পাউন্দ অদুদি তেরাক্সেরোন (Teraxerone) নি। মপূং ওইনা য়েংবদা লৈ-কাঙ্গ্রোন পাম্বী অসি পোইজনস হায়বদি হূ চেল্লি হায়না পাউদমলি।

লৈ-কাঙ্গ্রোন পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী উ অসি ৱাওথাংনবা মচুদা মহুৎ কুপ্তুনা (Fine grain) য়াম্না কল্লি অমসুং শীঙ (Fire Wood) ওইনা থাবদা য়াম্না খুদোংচাহল্লি। মসাশিং অদু মকু খোক্তোল্লগা মখল মখা কয়াগী যূমগী লৈতেংগী পোৎথোকশিং শাবদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ।

হীদাক ওইনা লৈ-কাঙ্গ্রোন উগী মকু অদু লোক থুংবা, অরুম-লাইহৌ তৌবা অমসুং হরা-কংখু তৌবদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। হীরম অসিদা উগী মকু অদু কুপ্না শোইরগা ঈশিংদা মৈ তপ্না থারগা ঙাইহাক শৌহল্লবা মতুংদা খোইহী খরা হাপ্পুনা থুমহল্লগা শেম্বা মহী অদু নোংমদা অনীরক গ্লাস তঙ্খাইগী চাংদাদা পীথক্লে। লৈ-কাঙ্গ্রোনগী অনৌবা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা জোন্দিস হায়বদি নাপু কাবগী লায়না অমসুং কোলীক হায়বদি অঙাংগী পুক নাবদা পীথক্তুনা লায়েংনৈ। লৈ-কাঙ্গ্রোন পাম্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা ঈশিংদা পুং খরা তীংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা মীওইবগী থিবোঙ-থিরিলদা তীল লৈবা অদু ফহনবা ঙম্বদগী য়াম্না কুইরবা মতমদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নদুনা লাকপগী পাউদমশিং লৈ।






পাউদম অমগী মতুং ইন্না লৈ-কাঙ্গ্রোনগী মরূ অসিনা মীওইবগী ঈ অসি মপূং ফানা অমদি মশা ফনা থম্বা ঙম্মী। লৈ-কাঙ্গ্রোন অসি প্ল্যুরিসি (Pleurisy) হায়রিবা লংস (Lungs) অমসুং থোরাসিক কেভিটি (Thorasic Cavity) অনীগী মরক্তা লৈবা মপ্রাম অদু অশোক-অপন তৌবদা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। লৈ-কাঙ্গ্রোনগী অনৌবা মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু ঈশিংদা মহী লাংথোকহল্লগা খৌনাও অদু তোয়না তেংথোকপদা খৌনাওদা অশিনবা কাবা অমসুং চাথৎপা অদু ফহনবা ঙম্মী হায়না শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা মহী অদু মীরোনবী নুপীনা এনিমিয়া হায়বদি ঈ ৱাৎপগী লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্নবা চাং নাইনা পীথক্লে। উনশাদা অঙৌবা মচেৎ-মচেৎ উরবদি লৈ-কাঙ্গ্রোনগী মনা শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদু নোংমদা অহুম্লক থা ১ রোম তৈবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংগগনি। অশোলকার অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৯২দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না লৈ-কাঙ্গ্রোনগী মনা অদু চাদা ৫০গী মপাঙ্গল লৈবা য়ুদা শুগাইরগা শেম্বা মহী অদু মীওইবগী ব্লদ প্রেসর অদু শিংথানীংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙম্মী।

---

# ‘ঈচেলদুগী ঈরাওখোল’

ডা. খোইস্নাম রঞ্জিৎ

**অইবা** মখল য়াম্মী, য়াম্মীখৈসু ফৈ অমবু অমবু ওইরসু। পুন্সিগী ৱাহন্থোক নৈনবদা অইবগী অইবনা চুপ্লী পায়রগা ৱায়েল কাতি পায়দুনা ৱায়েন্দুনা পুন্সিবু মমায় চুম-চুমদুনা চৎকদৌরিবনা অইবা মশীং য়াম্বা তঙাইফদে। পূম্নমক্লা তরাম্না ওকফম থোকই।

অইবা অমা ওইনা ডা. এল সরতকী লাইরিক ‘ঈচেলদুগী ঈরাওখোল’ সিসু খোরিরোলগী মচল ময়ামদুগী মনুংদা অমনি। ইশাগী ইঙ্খোল ফাওবদা কাচিন কোয়া মরিসি থুংনা চৎতুনা নোংমগী অমুক্তা ওইরবসু কোয়চৎ চৎতুনা য়েংবা ঙম্নদ্রবনি, থবক চিনবনরা, তনবনরা, মতম ফংদবনরা? সিগুম্বা মতম লাক্লবা মতমসিদনি য়াম্না লাপ্না মীরৈবাক নৎত্রবসু ইরমদমসিদা পূন্না নুংশি চান্ননা খুন্দামিন্নরিবা মফম কয়া চৎতুনা চীংনুংগী লোকনুংদা চেনবা ‘ঈচেলগী ঈরাওখোল’ অমা তম্পাক্লম য়ৌহল্লক্তুনা মীপূম খুদিংগী নাকোংদা তাহল্লিবসি ডা. লাইরেনলাকপম সরতনি। মাগী লাইরিক ‘ঈচেলদুগী ঈরাওখোল’ এল সী মারতিনানা অশাংবা কম্যুনিকেসন ইম্ফালগীদমক কুমজা ২০১৭তা ফোঙদুনা পুথোরকপনি।

ইমুং মনুং, নুংশি-নুংওন, শেৎন-খাইনা, মীকপ-মীরাও, লৈপাক মরা চেৎপা-চেৎতবা, নোক্রেম-হায়গ্রেম্না, করেম-কথাইনা কয়াদা যূম্ফম থোনগৎ থোন্থ শান্নদুনা অইবা কয়াগী হৈশিংবা উৎনদুনা পুথোকপা ৱারী লাইরিক, শৈরেং কয়া নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ফোঙনরি, পানরি, তানরি। অচৌবা উ পাম্বী অমগী মশীং থিবা ঙমদ্রবা উশা মচা মচাশিং কুমগী নোংদা চোংখৎলকপদু ঙাই, কংলি কংলি তৌবা, শিরুম-নারুম তৌবও, অথিবও, ফজবও পুল্লপ পূনশিল্লগা।

ঈচেলদুগী ঈরাওখোলদি অদু নত্তে। চা থকফমদা শান্নবা ৱাহৈ-ৱাতাশিংদু শীজিন্নরগা ইবদৌনা তৌই। ৱাহৈগী লৈশি-লৈথোনবা ফজদবনি হায়দুনা নৈননীংঙাই মতাং য়াওদে। মমায়দা পাওদর থাজিল্লগা ফজহনবা শকফমদুমাইনসু তৌদে, ইচম চম্মী। তশেংনা, অরূবা ৱাহৈ-ৱাতাগী ৱাহন্থোক নৈনরিঙৈদা লাইরিক্তু পানীংলক্তবা য়াওরকপা অদুগুম্বা লাইরিকসু নত্তে। থৌদোক ৱাথোক অমদা যূম্ফম ওইবা লাইরিকসু নত্তে। মতাং অমা হেক পাবা লোইবদা ‘হৈমা সি ওইরে’ হায়রগা খুদক্তা মিৎ শিংহল্লি। সিনি লাইরিকসিগী মগুণ হায়ববু। ৱারীমচা নত্তে, শৈরেং নত্তে, দ্রামা নত্তে, ৱারী লিশাংসু নত্তে।

ঐখোয়না ইন্দিয়া থোনবসি ইন্দসতগী লৌবনি হায়নৈ, ইন্দস তুরেলসি হৌজিক্তি পাকিষ্টানগী মনুংদনি। অদুগা ইন্দিয়া কৌনখিবসিনা মহাভারতকী মতুং ইন্না আদি পর্ব্বদা য়াওরিবা নিংথৌ দুসন্ত অমসুং সকুন্তলাগী মচানুপা ‘ভরত’ তগী লৌবনি থাজনরি। পাকিষ্টানসু অদু মঙাই প্রোভিন্স ময়াম অমগী অহৌবা মমিংশিংদু লৌদুনা থোনখিবনি। অসুম্মাইনা মী মমিং থোনবা, লম মমিং থোনবা, মদুগী হৌরকফম অমদি লোয়না লৈনবমক্তনি।

নীংশিংবা য়াই, Sun's day দগী Sunday, Monday সিনা Mon's day দগী লাকই। অসুম্মাইনা গ্রহ মঙা হায়বদি মার্স, মর্করি, জুপিটর, ভেনস অমসুং সটর্নদগী লৌরগা নুমিৎ তরেৎনীগী মমিংসি থোনখিবগী ৱারী রোমানশিংগী পুৱারীনা শাখিনি। জগৎ পূম্নমকপু চিংশিনবা ঙম্মী হায়দুনা গর্গ মুনিনা ‘কৃষ্ণ’ গী মমিংসি থোনখিবগী ৱারী শাস্ত্রদা য়াওরি। খঙজিনবদা কান্নরবা ময়ামসি অইবা লৈ। ককপা য়ারোই। অইবা লৈতবা, থাগী মমায়দৌনা কোরোক কোয়না মমায় কোয়দানৈ হায়দুনা পুর্ণিমা কৌনরিবনি। ঈং-তপ্পী হায়দুনা অঙ্গংবী কৌই। ইতোন তোন্না মমৈদা পোকই হায়দুনা মমৈ কৌবসু য়াওনরিবনি মী মমীংদা। অইবা (রেকোর্দ) লৈতবা, মফম খঙদবা চিন্থাংদা, চিনবুংদা কৌনরম্বা মফম কয়া অমগী হৌরকফম থিদুনা অদুসু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী চীংনুং খুন কয়া চৎতুনা থিজিল্লুবগী এক্সপিদিসন মখল অমনি, খোমজিনবা ৱারেং লাইরিকনি ঈচেলদুগী ঈরাওখোল।

পঞ্জনীংবা অমত্তংদি অইবদা লেংনীংবা লৈ মচু কয়া পংলেংদা লেংবদি য়াই, লৈ লেংলীবীদুগী থম্মোয়গী অপাম্বনি, সনারৈ মরক্তা লৈহাউ, কুন্দো মরক্তা থারিকথা অদুবু কুন্দো ঙাক্তা, সনারৈ ঙাক্তা লেংবসি পাম্মুদ্রিবসি করিগীনো? খঙনীংই। মতম অমদা পোষ্ট অমদি প্রী ইন্দিপেন্দেন্স ইন্দিয়াদা ত্রীমুর্তি হায়না খঙনবা অইবা অহুম লৈরম্মী। অদুগুম্না মণিপুরগীসু য়োৎশবী মখোং অহুমগুম্না কবি চাউবা, কমল, অঙাংহলগী নৈনরোল লাইরিকসিদা য়াওরম্বদু কদোমদগীনো ঙকখিবনি। ইতোমতা খল্লকখিবনি অইবগী থম্মোয়দগী ফাওরকপা ঈচেল অমখক্কী ঈরাওখোলশিংদু ওইরবদি কায়দি কায়দব্রা সিনি। অদুবু মসি ঐগী মত্তদি এনাক্লোনিজমনি।

লাইরিকসিগা মরী লৈননা পনবা য়াবদি, লাইরিকসিমক লমনৌ পুথোকপদি নতে, ময়াম্না খঙনবা ইটলি মচা খৃষ্টোফর কলম্বসনা অমেরিকা পুথোকপা, পোর্টুগিজ মচা ভাসকোদেগমানা কুমজা ১৪৯৪দা অনৌবা রুট কয়া পুথোক্তুনা ইন্দিয়াগী ‘কাপ্পারু’ হৌজিক্লা কেরেলা হায়না খঙনরিবা মফমসিদা লাক্তুনা লমনৌ কয়া পুথোকখিবগুম্বা নত্তে। লৈরম্বা পোৎ অমা অচুম অরানগী খোঙ্গুল লিরুবনি। ফংলকপা মচাকশিং মীয়ামদা শিন্নবনি, অচুম অরান লেপ্পীয়ু। করি তৌবা য়াবগে য়েংবীয়ু হায়বসিনি মাগী পাউজেলদি।

অথাপ্পা চীংনুং কয়া চৎতুনা চীংমী কাঙলূপ খরগী লৈফমগী মতাংদা লমিৎ-তুমিৎ অদুগীসু মথক্তা অরিবা মতমদগী লৈরক্লবা হরাউ কুম্মৈ খুদম ওইনা পাউমৈ ফুরুপকী পৌকি অমসুং লাওনা কুম্মৈ অমদি ‘পাইরাইথৌপা’ গী ৱারী ‘লোংমাই’ গী মপাওনচিংবা কয়া তাশিন খোমজিন্দুনা মীয়ামদা খঙহনবীরিবা থৌনা থাগৎতবা ঙল্লোই, মমল য়াম্মী। মসিদি কাদা সুম ফম্লগা মাঙ্গোলজাওগুম ফম্লগা ৱাখলনা শাগৎলগা ইবা কল্পনাগী ৱারী-ৱাখোং নত্তে। লাইরিকসি পাবিরগা অখঙ অহৈ, অঙম্বশিংনা লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরম কয়া শেম শাবীরগদি কাঙলূপ অমগা অমগগী মরক্তা ইন্টিগ্রেসন পুরক্কনি হায়বসিমদি শোয়দ্রে। মসিনি লাইরিকসিগী মগুণ অমখক য়াওরিবসি।

ইন্টরনেসনল ষ্টেন্দর্ট বুক নম্বর ফংলিবা শকখঙলবা পব্লিকেসন সেন্তর অমনা ফোঙলিবা লাইরিকনি। পঙাঙ ঙাঙবদি য়াদ্রে, অদুবু রিফরেন্স লৌবসি তোঙান তোঙানবা মফম, মতম, মীওই মশীন খরদগী সোর্সশিংসিমতংদি লৌহন্নীংই। অইবা ওইনা লৈরমদবা কয়াসু য়াওবনিনা মীওই অমখক্কী ৱাহৈ, ৱারী-ৱাখোঙদগী যূম্ফম ওইবা হায়বসি খজিক্তং লুমশিনবা ৱাৎলি। খরা হেন্না কনা লৈরি, করি লৈরি হায়বসিমদি থিজিনহন্নীংঙম্বগী অপাম্বা লৈজে।

অরোইবদা, অতৈ অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংসু চৎপীরগা হন্দক্কীসিগুম্না মরীক চুম্বা পাউদম কয়া খঙদ্রি উদ্রিবা ময়াম অমা খঙহনবীরক্কনি খঞ্জে। ঙম্বসু ওইসনু। ডা. লাইরেনলাকপম সরতকী ‘ঈচেলদুগী ঈরাওখোল’ সিনা কোনশিল্লিবা চীংগী লমদম খরদুগী ঐতিহাসিক্কী ওইবা কানবা খরা অপাবশিংগী মফমদদি শোয়দনা পীরগনি।

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## চিংখহৌবা খরদং নোল্লুক্লা ফোঙদোকচরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইকায়খুম্নবদা** মতিক চারবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা ঐহাক্লা জন্যুৱারী ১৫, ২০১৮ ‘মীয়ামগী নুমিৎ’ তা চিঠি ইজখিবদুদা চিংখহৌবা খরদং নোল্লুক্লা ফোঙদোকচরি মদুদি মণিপুরদা আই এল পি য়ারিবমখৈ অথুবদা চৎনহনবীয়ু। মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা থোকপীরক্লবনিনা মীয়ামগী ওইবা য়ানীংদবা ৱাকৎ কয়া য়ারিবমখৈ অথুবদা য়ানবা পুরকপীনবা হোৎনবীয়ু। ঐহাক্লা ইজখিবা চিঠি অদু মুন্না পাবীগনি অমসুং থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্কনি হায়না ঐহাক্লা থাজবা থমজরি। রিলিফ ফন্দগীসু মণিপুরগী মীশিংসিগা হায়রগদি মীয়াম তঙ্খায় অমরোম্না মতেং পীবিরগদি লায়রবা অয়াম্বা খরদং ওইরবসু নুংঙাইবা ফংগদ্রা খঞ্জে। ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা শোয়দনা ফনবা শিনবীয়ু। মীয়ামগী অফবা অমসুং নুংঙাইগদবা ওইরবদি মীয়ামগী মতেং শোয়দনা পাঙবীয়ু চীফ মিনিষ্টরনা। চীফ মিনিষ্টর অমসুং মীচম মীয়াম তাইবঙ শেম্বা মপূনা থৌজানবীবা ওইরসনু।

*অদোমগী - সলাম সঞ্জোয়, নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ৬*

## মেইনলেন্দ ইন্দিয়ানা ঐখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মেইনলেন্দ** ইন্দিয়ানা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওইশিংবু হন্থনা য়েংবা, মীওই কয়াগী পুন্সি কয়া মাঙহনবা য়াওনা নুপী কয়াগী ঈজৎ কয়া তেমশিংনখ্রে। অসিগুম্বা কয়া অসিবু ঐখোয়না তুমিন্না অসুম খাঙদুনা লৈফম থোল্লিব্রা? অপূনবা ইন্দিয়া অমা শাগৎনবা তঙাইফদনা ইন্দিয়াদা নমদুনা তিলহনখিবনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ঐখোয়সু ইন্দিয়াগী নাগরিক অমা ওইনা ফংফম থোকপা হক খুদিংমক ফংলিবনি। মরম অসিনা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংবু য়াম্না লুম্না ইকায়খুম্নফম থোকই। প্রবেস চনম শিখিবগী অকনবা ঈহৌ কয়া ওমদুনা লৈনরিঙৈ মতম অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস অমদি উত্তর প্রদেশ লৈঙাক্লা খৃৎশম্নরগা শিনবা য়ুথ ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ারিবা নোর্থ ইষ্ট মচাশিংদা হন্থনা য়েংবীবা অমদি উশিৎতবা ৱাঙাঙ অপঙবা নখোয়দি পঙনা অদুম লৈগদবনি হায়বা ফাওবা ফোঙদোকপা অমদি শান্নবদা অহানবা মনা লৌফম থোকপদা অনীশুবা মনা পীবা অমদি শরুক নীংথিনা য়াহন্দবা, লৈফম-চাফম মতম চানা শিনবীদবা পূম্নমক অসি অপূনবা ইন্দিয়া অমগী ৱাখল্লোন নত্তে। মসিদি মখোয়গী মখা পোনবা অমগুম হিংবা অমদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লৈতবা মীওইশিংদা চৎকদবা মচৎনি। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না লুম্না লৌদুনা ঐখোয় ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা নত্তে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই। মসিদা উৎলিবা মওং অসি অতম্নন্না তৌব্রা নৎত্রগা শোয়বদগী তৌব্রা হায়বা অসি খঙদোক্লবা ঐখোয় হোৎনফম থোকই। অসুম্না মীখা পোন্দুনা লৈগদবগী শরুক্তি চারবসু চাদ্রবসু ঐখোয় কুমজা ১৯৪৯গী মমাঙগী প্রী মর্জর এগ্রীমেন্টগী ফীভমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনফম থোকই। মসি পূম্নমক থোকতনবা ঐখোয় পূম্নমক্কী ৱাখল চুংশিন্নবা মতম য়ৌরে হায়জনীংই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ*

## ময়োল থোকপা লাই

